# মহারাজ নরসিংহগী ১২৬ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ৬ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা মহারাজ নরসিংহ মেমোরিয়েল কমিতি, ইম্ফাল অমদি শ্রী শ্রী গোপিনাথজি টেম্পল বোর্দ, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুংনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মহারাজ নরসিংহগী ১২৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা তোঙান–তোঙানবা লমদা মীথোই মীহেনবা মীওই ৮দা এৱার্দসু য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মহারাজ নরসিংহ মোমোরিয়েল কমিতিগী প্রসিদেন্ট সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি এলাংবম সোনামনি অমসুং শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আর কে ইমোনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাই জয়কুমারনা হায়, লমদম অসিদা নিংথৌ ওইরম্বশিংগী মনুংদা মহারাজ নরসিংহনা ইতোপ তোপ্পী। নিংথৌ ওইরম্বা অয়াম্বা নিংথৌ ওইনবা হোৎনবদা মীচং খোম্বা নৎত্তনা লাল তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মীয়ামগী অপাম্বা খঙখিদে। অদুবু নিংথৌ ওইখিবশিংগী মরক্তগী মহারাজ নরসিংহদি নিংথৌ ওইনিংবগী ৱাখল্লোল লৈখিদে। মহাক্না নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদা মীয়ামগী খনবতা নত্তনা চীং–তম অনী পুনশিন্নবা হোৎনরম্মী। মহাক্কী মতমদা চীং–তম অনীমক্না মেরা হৌ–চোংবা থৌরম অসি হৌদোকখিবনি। ওইজবা অমদি কান্নবা থিদনা লমদম অসিগীদমক খল্লম্বা অসিগীদমক ঐখোয়না নীংশিংবা অমদি ইকায় খুম্নফম থোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখ্রবা ইতিহাসশিংগী মরমদা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়না খন্নবগী মহুৎতা করম্বা ৱাখল্লোন, করি তৌরম্মী হায়বগী অফবা লম্বীদা পুন্না হোৎনবনা হেন্না চুমগনি। লোয়ননা ঐখোয় মশেল খন্নরিঙৈ মীতোপনা খুদোংচাবা লৌখিবা তাবনি। অসিগুম্বা অসি মখা তানা থোকহন্দনবা চেকশিনবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

আর কে ইমো এম এল এনা হায়, লমদম অসিগী য়াইফনবতা খনবা মহারাজ নরসিংহগী লৈরিবা খুভম অমসুং মহাক্কী পোক্নফম লমদম শেমজিন শাজিনবদা অচৌবা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমসিগা মরী লৈননা তোঙান–তোঙানবা মীথোই মীহেনবা তারকখ্রবশিং অদুদি কলচর (পুং)দা ককচিং ৱারি নিংথৌ পারেংদগী শৌগাইজম বিজয় সিংহ, এগ্রিকলচরদা দিমাপুরদগী মিস দিটোলিন সুমি, পুলিস সার্ভিসতা চুরাচান্দপুরদগী হাও গিনলেন তোনসিং, টিচিং সার্ভিসতা চাকপীকারোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইন চার্জ কে এল ৱাসোন অনাল, চিলদ্রেন হোমদা তেরা কৈথেল চিলদ্রেন হোম, শান্ন–খোৎনবা (টেকৱুন্দো)গী লমদা মোংশাঙ্গে মমাং লৈকাইদগী সোরাইসম লনজিং মৈতৈ, ঐচ এস এল সি ইকজামিনেসনগী তোপ্পর প্রিয়াঙ্কা মোইরাংথেম অমদি থিয়েটরগী লমদা রূপমহল থিয়েটরনি। লোয়ননা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা রূপমহল থিয়েটরদা লীলা অমসু উৎকনি। এৱার্দশিং অসিদা শেলগী মনা অমসুং শক্তাকচেসু য়াওরি।

থৌরম অসিগী শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা নরসিংহগী শক্তমদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

# কাংমোংদা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টনা কাংমোং তোংব্রম ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগা খূৎশম্ননা শিন্দুনা ঙসি কাংমোং তোংব্রম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর সলাম বুধচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা প্রসিদেন্ট, কে টি এল মোইরাংথেম চাওবনা ময়াই তাংবল লৌরগা অৱাং জিরিদগী অসেম য়াইমা চাওবনা ইকায়–খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখি।

প্রোগ্রাম অসিদা এদভোকেট বি শুপ্রিয়ানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন অমসুং দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স হায়বসিদা অদুগা এদভোকেট কৈশাম ধনেনা ফন্দামেন্টেল রাইটস অমসুং সোসিয়েল সিক্যুরিটি স্কিমশিং হায়বসিদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাংখি।

# ফুঙ্গা জগোয় অমসুং থাঙ–তা উৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ফুঙ্গা দান্সকী ৱার্ক্সোপ কম প্রদক্সনগী কাংবুনা ঙসি ৱাঙ্গোই কৈথেলদা লৈবা ৱাঙ্গোই ড্রামাটিক হোলদা ফুঙ্গা জগোয় অমসুং থাঙ–তাগী দেমোন্সট্রেসন উৎখ্রে।

থৌরমসিদা কেন্দ্রগী এম এল এ ও লুখোই ভাইস চেয়ারমেন, সিদা অমসুং জগোয় অমসুং থাঙ–তাগী মরমদা খঙ–হৈরবা শক্লাইরবা ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

# বেনারস টকিজ মণিপুরীদা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা ওল্ড এসেমব্লী রোর্দতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা সত্য ব্যাসকী হিন্দীদা ইবা ২০১৫দা বেষ্ট বুক সেল্লর তাদুনা মঙারক শুবা এদিসন পুথোকখ্রবা বেনারস টকিজ মণিপুরীদা ডা. রাজকুমার মোবী সিংহনা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা নোংমাইথেম কিরনকুমার সিংহ কনভেনর, মণিপুরী লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমিনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইখি। লোয়ননা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট পহলদ শর্ম্মনা থৌরম মপু ওইখি।

লাইরিক্কী মরমদা থোইদোকপা অখন্নবা লাইরিক মশক তাকপা ওইনা তোঙান্না থমখিদে। অদুবু লাইরিক অসিদা য়াওরিবা তাঙ্কক অনীখক লৌখৎতুনা মীয়ামদা পাথোকপগী থবক অমদি পায়খৎখি।

অথোইবা লেঙবীরকপনা মহাক্কী ৱারোলদা লাইরিক অসি পাবদা শোয়দনা নোক্তবা ঙল্লোই। লাইরিক অসি পাবদা ঐসু য়াম্না নোকখি। লাইরিক অসিদা শীজিন্নরিবা য়াম্না স্মার্ট ওইবা হৌজিক্কী নহারোলশিংগী অৱাই অখুমগী লোন্দাশিং অমদি হোষ্টেলদা লৈরগা তম্নকপা ছাত্রশিংনা থেংনবশিং অদু শোয়দনা খঙবীগনি হায়খি।

# বি এস এফ কনষ্টেবল ২৯৩গী এটেষ্টেসন পেরেদ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

চুরচান্দপুরদা লৈবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স বি এস এফকী সবসিদ্যারি ট্রেনিং সেন্টর (এস টি সি)গী সটিসচন্দ্র পেরেদ গ্রাউন্দা ট্রেনিং লোইরবা কষ্টেবল ২৯৩গী এটেষ্টেসন পেরেদ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নৌনা ট্রেনিং তৌরবা কষ্টেবলশিংবু ৱাশক লৌবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইখি। অদুগা পাস আউট তৌরবা কষ্টেবলশিংনা শরুক য়াবা মার্চ পাস কন্টিনজেন্টনা পীবা সলামিসু ইন্সপেক্টর জেনরেল সোলোম য়াসকুমার মিরজনা ওকখি। কন্টিনজেন্ট পেরেদ অদু কষ্টেবল নিরজনা কম্মান্দ তৌখি হায়রি।

চয়োল ৪৪ চখখিবা ট্রেনিং মনুংদা ফিজিকেল, ইফিসেন্সি, আর্ম এন্দ এম্ম্যুনসন, মেপ রিদিং, ফিল্ড ইঞ্জিনিয়ারিং, বোর্দর মেনেজমেন্ট, ইন্টরনেল সিক্যুরিটি অমসুং লো এন্দ হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা তাকপী তম্বীখি।

ঙসিগী পাসিং আউট পেরেদ অদুদা মকোক থোংবা সিভিল অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী ওফিসারশিং, স্কুল অঙাংশিংসু শরুক য়াখি। কলচরেল প্রোগ্রামসু পাঙথোকখি।

# পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

মেগী তাং ৬ ঙসিদগী হৌরগা মেগী তাং ১২ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা চখগদবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৮ কোরস রেপটরটোরি থিয়েটর শামুশঙ উকুদা লৈবা শ্রাইন প্লে হাউসতা হৌদোকখ্রে।

সাহিত্যগী কুম্মৈ অসিদা তোঙান–তোঙানবা স্কোলার কয়ানা সেমিনারগী চে পাথোক্তুনা পদ্মকুমারগী লাইরিকশিংগী মরমদা খন্ন–নৈনখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র সিংহনা অথোইবা লেঙবীরকপা অমদি প্রো. থোইনিংজম তোম্বী সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা থৌরম হৌদোকখি।

থৌরমসিগী অহানবা অয়ুক্কী সেসনদা ডা. ৱাই কুঞ্জবিহারিনা কাংজম পদ্মকুমরগী শৈরেংবু নৌহৌনা মশক লেপ্পা, ডা. কোইজম শান্তিবালা দেবীনা পদ্মকুমারগী নুংশিবা (নোভেল)দা, ডা. এস লনচেনবা মৈতৈনা কাংজম পদ্মকুমার অমসুং মাগী শৈরেংশিংদা মীৎয়েং অমা অমসুং ডা. টি ঐচ ইবোহনবী সিংহনা সমালোচক অমা ওইনা কাংজম পদ্মকুমার হায়বা হিরমসিদা চে পাথোকখি। লোয়ননা প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনা মোদুরেটর ওইখি।

তরা চয়োম ফঙমিন্নরবা মতুং অনীশুবা নুংথিলগী সেসনদা ডা. চিরোম রাজকেতন, ডা. হৈক্রুজম রোয়বালা অমসুং ডা. এম প্রিয়োব্রতনা চে পাথোকখি। লোয়ননা লোংজম জয়চন্দ্র সিংহনা মোদুরেটর ওইখি।

হয়েং মেগী তাং ৭ নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা শৈরেং শক্তম সন্ধ্যাগী ঈশৈ হায়বা থিমসিদা মখোন মনি মোংশাবনা ৱাখল্লোল শাগৎলগা শক্তমদা লোইতোংবম দোরেন, চিংথাম বার্নিকান্ত, আর কে হেমাবতী, এল তোম্থোইঙানবী, শগোলশেম তিজেন্দ্র অমদি বি নেতাচন্দ্রনা শক্তম লাংদুনা উৎকনি।

মে তাং ৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫দা মশা য়াওদ্রবা উচেক হায়বা লাইরিকসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পান্থোইবী নাট্য মন্দির, য়ুম্নাম লৈকাইনা লীলা অমা উৎকনি। লীলা অসি য়ুম্নাম রাজেন্দ্রনা দাইরেক্সন পীগনি।

মে তাং ৯ য়ুমশকৈশ নুমিৎ নুংথিল পুং ৫দা চীংয়া–তময়া হায়বা লাইরিকসিদা য়ুম্ফম ওইরগা দিল রিপরটোরি থিয়েটর, চজিংনা লীলা উৎকনি। দাইরেক্সননা পুখ্রম্বম খোগেন্দ্রনা পীগনি।

মে তাং ১০ শগোলশেন নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা মঙালগী ঈথক ঈরৈ হায়বা লাইরিকসিদা য়ুম্ফম ওইরগা কোস্মোপোলিটান ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, কোংবনা লীলা উৎকনি। নন্দকুমার মোইরাংথেমনা দাইরেক্সন পীগনি।

মে ১১ ইরাই নুমিৎ নুংথিল পুং ৫দা শম্বল হায়বা লাইরিকসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ব্লুম্মিং কলচরেল একাদেমি ওফ পর্ফোমিং আর্টস, ইম্ফালনা লীলা উৎকনি।

অরোইবা নুমিৎ মে ১২ থাংজা নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা জপান লাল হায়বা লাইরিকসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পেরাদাইজ থিয়েটর, ৱাংখৈ, লৌরেম্বম লৈকাই ইম্ফালনা লীলা উৎকনি। লীলা অসি লৌরেম্বম কিশ্বরজিৎ সিংহনা দাইরেক্সন পীগনি।

# ডাক্তর ট্রান্সফর তৌবিগনু

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নম্বোল লৈমপোকপমদা লৈবা পি ঐচ সিদগী ডা. খেলেন্দ্রোবু নোনে দিষ্ট্রিক্টকী হাওচোং পি ঐচ সিদা ট্রান্সফর তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পি ঐচ সি অসিগী রোজি কল্যান সমিতি (আর কে এস)কী ভাইস প্রসিদেন্ট এ নৱাংগী চেরোল অমনা অথুবা মতমদা ওর্দর অসি ককথৎকদবনি হায়রি।

লায়েংশঙ অসিদা ডাক্তর ৪+১ লৈগদবদা হৌজিক ৩+১ খক্তমক লৈরিবনি হায়বগা লোয়ননা মসিনা লৈমপোকপম খক্ত নত্তনা অকোইবদা লৈরিবা ৱাহেং খুমন, সঞ্জেনবম, পুখ্রম্বম, থৌনাওজম, লৌরেম্বম, ককয়াই, থিয়াম, খাথোং, খুনফম, তেরাপোকপী অমসুং মাইবম কৈরেনগী মীয়াম্বুসু কোনশিল্লিবনি হায়রি।

লোয়ননা মতম খরগী মমাংদসু পি ঐচ সি অসিগী ডাক্তর পি উমাকান্তবুসু ট্রান্সফর তৌবদগী হৌজিক ষ্টে তৌদুনা থম্লিবনি হায়রি।

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 88/SDC/P of 2018, dt 22/3/2018*

Thongram Kamal Singh, S/o (L) Kunjabihari Singh
of Arapti Mayai Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Thongram Kunjabihari Singh, S/o (L) Chaoba Singh
of Arapti

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, the 22/03/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 51/26 (অরিবা) 150 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 167 an area .77 (point Seven Seven) acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Thongram Kunjabihari Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

**SL/Bill/Len**

# ক্লাস টুয়েল্ব ইকজামদা আর্টস ষ্ট্রিমগী মকোক ওইখিবী রাধারানি ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৬ঃ

কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি ইকজাম ২০১৮কী লাউথোকখিবা ফলদা আর্টস ষ্ট্রিমদা মকোক তারকখিবী নীংথৌজম রাধারানিবু ওকপগী থৌরম ঙসি এল জে পি লংথবাল কেন্দ্র কমিতিনা শীন্দুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কমিতিগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ মতেং পাংখি। মখা তানসু মতেং পাংগনি হায়রি।

মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়, ঐখোয়না তৌগে হায়না লেপখ্রবদা ঙমদবা লৈতে হায়বসি রাধারানিনা আর্টস ষ্ট্রিমদা মকোক ওইরকপা অসিনা খুদম অমা ওইরি। ইশা ইশাগী ইথৌদা পুক্নিং চঙনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা হোৎনরবদি শোইদনা মীকোক থোংবা ঙমগনি। মপি মপা ওইবশিংনসু করিদা শোইখিগদগে হায়না য়েংশিনবা তঙাইফদে।

মহৈরোই রাধারানিনা ফোঙদোকখিবদি মহাক ক্লাস ৱানদগী তেন ফাওবা লিলোংদা লৈবা ট্রিবেনি পাব্লিক হায়স্কুলদা তম্লকখি। মতুংদা ই কে হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মখা অমখিবনি। ওজাশিংগী মতেংদগী ইকজামদা মায় পাকপা ঙম্লকপনি। মখা তানা দিল্লিদা তমদুনা য়ু পি এস সিগী ইকজাম থারগা সোসিয়েল সাইন্টিস অমা ওইদুনা লমদম অসিগী সেবা তৌবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি। এন রাধারানি লিলোং চজিং চীংখোঙ লৈকাইদগীনি। অপোকপগী মিংদা এল মোহিন্দ্রো কৌই।

লমায় ১ গী মখা

# পুজা এলাংবম ওকখ্রে

অদুগুম্বা মহৈরোইশিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি।

মণিপুরগী লৈরিবা ফিভম অসিদা থবক লোইনমক ফঙগনি হায়বগী অশা তৌদবা, ঐখোয়না হোৎপু হোৎনরবদি হোৎনজমন লেম্না মাঙদে হায়বসিনা খুদম ওইরগা থাংমৈবন্দদা লৈরিবা মহৈরোইশিং অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোই পূম্নমক্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী চাওরবা ফুরুপশিংগা চাংদম্নদুনা থেংনগে হায়রবদি ঙসিমক পুজা এলাংবমনা ওইরক্লিবা অসিগুম্না ওইরক্কবা ঙসিদগী চোকথবা লৈতনা হোৎনরসি হায়খি।

লোইশিল্লকপদা মহাক্না মখা তানা হায়, পুজানা থবক পুরক্কবা মতমদা শোখদুনা লৈরিবা ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনা হেন্না থৌদাং লৌবীনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# কাডাগী ড্রাইভতা ইম্ফাল ইষ্টকী সঞ্জেনলোক্তা য়ু ...

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি য়ুঙৌ অমসুং মসিবু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিংগা কোন্ননা ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি – চফাময়ুম ব্রোজেন (৪২) অপোকপা সিঐচ কেরানি, সঞ্জেনলোক্তগী চাকনম বকেট অচৌবা –৬ অমসুং য়ুঙৌ লিটর–৮, য়ু শুংবগী সেট–১, ফঞ্জাওবম ননাও (৩০) অপোকপা পিঐচ তোম্বা, সঞ্জেনলোক্তগী য়ুঙৌ লিটির–১৫, কোরফু–১, হারৈ–১, ফঞ্জাওবম বোবো (৩৭) অপোকপা পিঐচ তোম্বা সঞ্জেনলোক্তগী চাকনম বকেট অচৌবা–৫, য়ু লিটর–৫০, হারৈ অচৌবা –১, অসেম ওংবী শামা (৫২) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এ ইরাবত্তগী কোঞ্জাও সেট–১, হামৈ পীছ–১০০, চাকনম টব–১, য়ুঙৌ লিটর–২০, অসেম প্রেমজিৎ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ প্রেমজিৎতগী চাকনম বকেট অচৌবা–১, য়ু লিটর ৩০, তখেল্লম্বম সুনিতা (৫১) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম ইনাও, সিনাম সঞ্জেনলোক্তগী চাকনম বাল্টিন–৭, য়ু লিটর ৩০, কোঞ্জাও–১, চাকনম তেকসি–২, ঙাংকোক–২নি।

ফাগৎলবা য়ুঙৌশিং অমসুং শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অদু মফম অদুমক্তদা থুগায়দুনা অমদি হৈদোক্তুনা মাঙহনখি।

নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ১৯৯১দা ড্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোক্তুনা লমদম অসিদা য়ু শুংবা য়োনবা য়াদে হায়বগী অথিংবা কয়া থম্লবসু লমদম অসিদা য়ুঙৌ মরাং কাইনা শুংলি অমসুং য়োল্লি। অদুবু অথিংবা লৈতবগুম মফম খুদিংদা ফঙলিবা অসি মপুং ফানা থিংবা ঙম্নবা লিক্বিয়র প্রোহেবিসন এক্ট মতমগা চুনবা মওংদা শেমদোকপা মথৌ তাই, লোয়ননা আইন থুগায়রিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবা মথৌ তাই, হৌজিক লমদম অসিদা নহারোল কয়ানা নিষাদা লাইচুরক্লিবা ফিভম অসি অশুম য়েংদুনা লৈরবদি খুন্নাই অসিগী কাংখুল মুৎখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। লোয়ননা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চঙশিল্লিবা ‘ৱার এগেনষ্ট ড্রগস’ হায়বা কেম্পেইন অসিগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থিংনবা লৈঙাকসিগী কম্মিটি...

ঈশিং ঈচাওশিং থোক্লিবসিগী মতাংদসু লৈঙাকসিদা ব্লেম তৌবগী মহুৎতা মথৌ তাবা তৌহন্নিংবা থবকশিং পাউ পীবিয়ু খুদক্তা থবক ওইনা তৌনবা হোৎনজগে। হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং–ঈচাওশিং লৈঙাক্তা তাইনবনা করিসু কান্নবা ফঙলোই। কৈরোই–লৈকাইশিংদা লৈরিবা মীওই খরনা লম হেনজিনবা, খোংবান ফুনজিনবশিং লোকেলগী মীয়াম্না সজেসন পীবিদুনা তৌহন্নিংবশিং থবক ওইনা হয়েংদগী চখ্খবা হৌরগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনা আইআরবি বট্টালিয়ন অনী হাংনবগী অয়াবসু পীরক্লে। পোষ্ট ভেকেন্সি অদু কেবিনেটে ফম্লবা মতুংদা অথুবদা থবক কৌননবা শেম শারগনি। রিক্রুইমেন্ট অদুসু অনৌবা ওইনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা পাঙথোক্লবা হোৎনসিরা হায়না খল্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখিবা বিজেৱাইগী প্রসিদেন্ট ওইরিবী পুনম মহাজননা হায়, নুমিৎনা নোংপোক্তগী থোরকপগুম বিজেপিসু লৈবাকসিদগী মশেক–মঙান ওইনা ঙাল্লকখিবনি। লৈবাকসি কলচরনা মপাঙ্গল কল্লিবসি মণিপুরগী অচৌবা মতেংননি। নুপীলক্তসু অথোইবী লমদমনি হায়বা মালেমদা হেন্নসু মশক তাক্লি।

সুভাসচন্দ্র বোসনা লমদমসিগী নহাশিংবু চিংখৎহন্নবা লম্বী পীবিরম্মী। মোইরাংদা লৈরিবা আইএনএ মেমোরিয়েল অসিসু মালেমগী থাক্তা লৈহন্নবা পিএমদা তক্লরগনি হায়না সিএমদা হায়খিবনি। নেতাজিনা লৈবাকসিগীদমক কথোকখিবা থৌনাশিং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা অচৌবা পরা অমা তমনবা লম্বী পীরি। লৈবাকসিগী পিএমনা থমখিবা পান্দমশিং নহা ওইরিবা য়ুঠশিংনা মশাদা অচেৎপা, অখাংকনবা, পুকচেল চেৎপশিং লেপমিন্নদুনা ইন্দিয়াগী তুংগী লম্বীশিংদা অচৌবা থৌদাং য়াবা মথৌ তারি হায়খি।

থৌরম অদুদা অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা এডুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, এমএলএ ৱাই সুরচন্দ্র, ও লুখোই অমদি এনঈগী বিজেৱাইগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

# ইমপ্লোয়িশিংনা মাস কেজুয়েল লিভ অমদি ...

৭শুবা সেন্ট্রেল পে থবক্তা ওন্থোকপদা থেংথহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙলদুনা মখা তাবা খোঙজং চখনবা ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ৭শুবা সেন্ট্রেল পে ষ্টেট সরকারগী ইমপ্লোইয়িশিংদা পীনবগীদমক ফাইনান্সিয়েল কমিতি অমা শেম্লগা য়েংশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ফেদরেসন অসিনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অসিদসু নত্তনা এমটুক অমসুং এমজিওগী জে এ সিনসু ৭শুবা পে দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চখদুনা লৈরিবনি।

# সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাকপশিংনা আরএন রবিনা...

সেন্টরগী লুচিংবশিংদা থমখিবা ৱাফমশিং নৌহৌননা অমুক হন্না খন্নবা লোয়ননা দেল্লিদা আরএন রবিগা হকথেংননা উন্নদুনা শান্নখিবা ৱারীশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্ননবা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা শেম–শারে অমদি সেন্টরদা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা চৎখিগদ্রা নৎত্রগা চৎলোইদরা হায়বগী খন্নগদবা একাডেমিক ওইবা মীফম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীনবা শেম–শাবিয়ু হায়খি।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খিবদি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা সেক্রেট ওইবা এগ্রিমেন্ট তৌরিবসি করিগীনো হায়বা মীয়াম্না হংনরি। লমদমসিদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা লাকখিবা মীওইশিংনা ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বা ৱাফমশিং মশীং থিঙমদনা মমাংদা কয়ারক হন্না হায়খ্রে। অদুবু আর এন রবিনা থমখিবা ৱাফমসি ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্টনি নৎত্রগা লমদমসিগী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট য়েংবা মানবা মওংশিং তৌবা ফৎতে। মমাংদা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা পীশিনখিবা ৱারোলশিং অমদি হৌজিক ফাওবদা মীয়ামগী থাজবশিং চেৎনা থম্বগা লোয়ননা মখা তনা মথৌ তবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবসু শেম–শাদুনা লৈ হায়খি।

অরোইবা ওইনা সিসিএসকেগী সেক্রেটরী জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনসু সেন্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদি আরএন রবিনা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

# তুরেলশিংগী ঈমায় হন্থরক্ত্রি, নম্বোল তুরেল পাথোকখ্রে

লৈরিবা ঈমায়গী চাংশিংসিগী মতুং ইন্না নম্বুল তুরেলদি মসিগী ৱার্নিং লেবেল মিটর–৭৮১.১৭৫গী মথক্তা অদুম্মক চেল্লি। অদুগা ইম্ফাল তুরেলনা ৱার্নিং লেবেল–মিটর ৭৮৫.৯০০ য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইশিল্লক্লে হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তুরেলশিংগী হৌরকফম ওইহরিবশিং য়াওনা মফম খরদা থম্বা নোংজুগী চাং ওন্নবা খুৎলাইশিংদা লৈরম্বা রেকোর্ডশিংগী মতুং ইন্না কাংপোকপীদা ২৭এমএম, লিতানদা –৬৮এমএম, সাইকুল–২৬এমএম, রাজভবন (ইম্ফাল)–৩৯এমএম, লম্ফেল–৪১এমএম অমসুং জিরিবামদনা–৪৬ এমএমগী চাংদা নোং চুখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না লেপ্তনা চুরক্লিবা কুমগী নোংজু মমাংগী নোং অসি লেপখিদ্রগদি ঈশিং ঈচাওগী খুদোং চাদবশিং মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি।

# অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিং...

অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিংদা লমদম অদুদা লৈরিবা লৈশাবী অমসুং মৌনহাশিং য়াওনা নুপীশিংবু ফি তুবা, লোনবা য়াওনা মখল কয়াগী ট্রেনিং পীবগী মথক্তা দরকার ওইবা মেছিনশিং পীনবা হোৎনরগনি হায়খি।

লমদম অমা চাউখৎহন্নবা অমসুং শান্তি পুরক্নবা হোৎনবদা নুপীশিংগী শেম্মিৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবা তঙাইফদে, মৈরা পায়বীশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবতা নত্তনা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে। লৈকাই অদুদা লৈরিবা ফিশা–লোনশাগী থবক তৌরিবা নুপীশিংদা পীবা য়াবা মতেং মৈরা পায়বীশিংগী খুখাংদা পীরগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মৈরা পায়বীশিংনা মখোয়–মখোয়গী এরিয়াদা লৈরিবা নুপী অমসুং অঙাংশিংদা চখরকপা মখল কয়াগী ক্রাইমশিং থিংনবা হোৎনবদা মৈরা পায়বীশিংনা চাওরবা থৌদাং লৌবিয়ু। অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসি থিংনবা হোৎনবদা মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং পায়খৎনবা এব্র্যারনেস প্রোগ্রামনচিংবা কয়া মৈরা পায়বীশিংগী খুখাংদা অখঙ–অহৈ কয়না পীহন্নবা হোৎনগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মহাক্না নিংলক–নিংলকপা থবক খক তৌরোই। মতম লৈবা খিবিক্তা মৈরা পায়বী ইমাশিংগা তাথোক–তাশিন তৌদুনা চাউখৎপা কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট অসেম ইবোতোম্বীনা হায়, অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা অঙনবা মতমদগী হৌদুনা মৈরা পায়বীশিংগী ঈহৌ শাগৎপগা লোয়ননা অফস্পাগী চৈথেং মখাদা সিফাইশিংনা মীওৎ–মীনৈ চখরকপগী মায়োক্তা থেংননবা হোৎনরকখি। ইমা–ইবেল কয়ানা অহিং–নুংথিল নাইদনা নুমিদাং মৈরা পায়দুনা থোক্লিবা অসি লমদম অসিগী মীরোল কন্নবীগদমক্তনি।

মতম অমগী ইমা–ইবেলশিংনা ক্কা জর্দা চারমদে অদুবু ঙসি চৎনবী অমা ওইনা মণিপুরগী মফম কয়াদা মৈরা পায়বী থোকপদা ক্কা জর্দা চাদুনা থোকপা অসি চৎনবী অমগুম তৌরক্লি। মসি তৌবীদনবা মহাক্না অপিল তৌখি। ময়াই কাবা নিষা থিংগনি হায়না থোরক্লগা ক্কা চারগা থোরক্লবদি মদুগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়খি।

থৌরম অদুদা অংথা জিপিগী প্রধান থিয়াম মনিহলনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 87/SDC/P of 2018, dt 22/3/2018*

Thongram Kamal Meetei S/o (L) Kunjabihari Singh
of Arapti Mayai Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Thongram Kunjabihari Singh, S/o (L) Chaoba Singh
of Arapti

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, the 22/03/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 51-Arapti গী Patta No. 51/120 (অরিবা) 272 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 170 an area .66 (point six six) acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar Thongram Kunjabihari Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চখগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

**SL/Bill/Len**

**MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION LTD.**

**(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)**
**IMPHAL, MANIPUR**

**NOTICE INVITING e-Tender**

Imphal, the 4th May, 2018

The Superintending Engineer-II, MPHC Ltd. Imphal, invites on behalf of the Managing Director, MPHC Ltd. online item rate bids in two bid system for the following work.

N.I e-tender 01/EE-II/MPHC/2018-2019/ dated 04-05-2018 Name of Work "Development of Eco Tourism Project at Cheiraoching, Thangmeiband, Imphal Manipur" Estimate Cost : Rs. 12,85,38,984/- Earnest Money: Rs. 25,70,800/- Period of completion 4(four) months. Last date of submission of bid 1300 hrs of 14.05.2018.

The bid forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

**Sd/-**
**(P. Brojendra Singh)**
Superintending Engineer-II
MPHC, Imphal

**SL/Bill/06 & 07**